# সোসিএল মিদিয়ানা খুন্নাই অসিদা হৌজিক থোকহল্লিবা ক্রাইম/সমস্যাশিং

— লোক্তোংবম নাতো সিংহ—
সাইবর ক্রাইম এক্সপার্ট, সেন্ট্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি - কোলকটা
মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া










*(হান্নগী মখা চখজরকপা...)*

***সোসিএল-মিদিয়ানা*** সোসিএল নেটৱার্ক সাইটকী প্লেটফোর্ম কয়া শীজিন্নদুনা খুন্নাই অসিদা, অরাপ্পা নৎত্রগা অনকপদা লৈবা মীওইশিং, নকশিন্নবা মরী, চাওখৎপা, নুংঙাই য়াইফবা অমদি পূন্না চান্ন-চিন্ননা হিংমিন্নবগী পান্দমদা অচৌবা থৌদাং লৌরি অদুবু লাইবক থিবদি, সোসিএল নেটৱার্ক সাইটকী প্লেটফোর্ম শীজিন্নরিবা মীওইশিংনা পান্দমশিং অসিগী ৱাংমদা/ওন্ন-তৈনবদা শীজিন্নরকপদগী মখল মখা কয়াগী ক্রাইমশিং নৎত্রগা সমস্যাশিং থোকহন্দুনা ঙসিগী খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা অচৌবা সমস্যা অমা মায়োক্নরি। ওন্ন-তৈনবগী থৌওংশিং অসিনা ঙসিদি মরাল লৈজদবা মীওই কয়া অমা অৱাফমদা তাহনখ্রে, কাঙবু অমনা খুন্নাইগী মীনোক খাঙদুনা হিংলি, অদুগা কনা অমনা খুন্নাইগী মীনোক খাঙবা ঙমদদুনা নৎত্রগা কিবদগী অত্মাঘাট তৌদুনা পুন্সি পোলোইনরি।

অদুনদি, ঐখোয় হৌজিক সোসিএল মিদিয়ানা খুন্নাই অসিদা থোকহল্লিবা ক্রাইমশিং নৎত্রগা সমস্যাশিং অসি করি-করিনো, করম্না ওইরকপনো হায়বশিং খঙবগী তঙাইফদবা মতম অমা লাক্লে। মরম অসিনা ঙসিগী তাঞ্জা অসিদা ঐখোয়না হংনীংলিবা ৱাহংদি **সোসিএল মিদিয়ানা খুন্নাই অসিদা হৌজিক থোকহল্লিবা ক্রাইমশিং নৎত্রগা সমস্যাশিং অসি করিনো অমসুং মতৌ করম্না থোক্লকপনো হায়বা অসিনি?**

ৱাহং অসিগী পাউখুম অসি অদুক্কী মতিক পাক শন্না লৈখ্রে, মদুদি ৱাহৈ অমদা নৎত্রগা ৱাহৈ পরেং অমদা, পাউখুম পীবা ঙম্লোই। ৱাহং অসিগী পাউখুম অসি মায়কৈ অনীদগী খুন্বা য়াই : অহানবদা - খুন্নাই অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মীওই কাঙলুপশিংনা থেংনরিবা তোঙান তোঙানবা সমস্যাশিং নৎত্রগা ক্রাইমশিংনি অদুগা অনীশুবদা - খুন্নাই অসিনা হকথেংননা, মীওই কাঙলুপ খাইদনা মীওই অমনা থেংনরিবা সমস্যা নৎত্রগা ক্রাইম অসিনি। অদুগা থেংনরিবা সমস্যাশিং/ক্রাইমশিং অসিদি নাকল অনীমক্তা ইমান্দা মান্নে হায়বা য়াই। মরুওইনা সাইবর ক্রিমিনেল অমনা অরানবা থৌওং নৎত্রগা থৌশিন শীজিন্নদুনা **সোসিএল নেটৱার্ক-সাইটকী** মতেংনা মীওই অমবু অৱাফমদা তাহনবা নৎত্রগা মীওইবগী পুন্সিবু তেমশিংনবা (ভিক্টিমাইজ) তৌবা অসিনি। খুদম ওইনা হায়রবদা **Harassment, Defamation, Identity theft, Cyber bullying, Cyber stalking, Blackmailing, Honeypot, Sexting, Impersonation, Social Engineering, Phishing,** অসিনচিংবা ক্রাইমশিং অসিনি অদুগা হায়রিবা ক্রাইমশিং অসিগী শাফুনা মীওই কয়া অমা অত্মাঘাট (suicide) তৌদুনা শিনরি।

***খুন্নাই অসিদা লৈরিবা, তোঙান তোঙানবা মীওই কাঙলুপশিংনা থেংনরিবা তোঙান তোঙানবা সমস্যাশিং ঃ***

খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীওই কাঙলুপশিং অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী শাফু কনবা চৈথেং ফংলিবা মীওই কাঙলুপ অসি চহী তরাহুমদোইগী মথক্তা লৈবা, মহৈ মশীন তম্লিবা মহৈরোয়শিংনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। চহী তাঙ্কক অসিদা লৈরিবা মীওই কাঙলুপ অসিগী ৱাখল্লোন অসি : জৌবোনগী নৎত্রগা ইন্দ্রিগী চাংয়েং তৌনিংলকপা মতম, ঐনা খল্লিবা অসিনা চুম্মী, হেন্না ফৈ, অহল লমনগী মখা পোন্দনা হিংবা ঙম্মী হায়বা ৱাখল্লোন্দা যূম্ফম ওইদুনা মশাগী অনীংবা অপাম্বনা খুদুম চনবা মতমনি।

নাকল অমরোমদা, ফেসবুক হায়বা সোসিএল নেটৱার্ক সাইট অসি মীওই অয়াম্বনা চিন্দা, ৱাখলদা নৎত্রগা শীংলি নাওরিদা চুদুনা লৈরবা সোসিএল মিদিয়া অমা ওইরে। ফেসবুক সোসিএল নেটৱার্ক সাইটকী কান্নবা কয়া অমা লৈরবসু, মসিনা ওইহল্লকপা য়াবা মাঙজবা কয়া অমদি মহৈরোয়শিংনা উবা ঙমদে, মরম অসিনা মহৈরোয়শিংনা ফেসবুক্তা লাইচুবা হৌরকখি অমসুং মখল মখা অয়াম্বা সমস্যাশিং নৎত্রগা ক্রাইমশিং থোকহল্লকই। ঙসিদি, ফেসবুক শীজিন্নরিবা মহৈরোয়শিংগী মনুংদা চাদা ৩৮ দি FAD হায়বদি **Facebook Addiction Disorder** না নারে হায়বা খঙবা ঙম্লে। হীরম অসিদা থিজিন হুমজিন তৌরিবা বিজ্ঞানিকশিংগী মনুংদা, Pennsylvania দা লৈবা Lock Haven University গী প্রোফেসর Reynol Junco না মহৈরোয় লিশীং ২০০০ দা চাংয়েং তৌবদা, মহৈরোয়শিং অদুনা ফেসবুক শীজিন্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈরম্বা একাদেমিক পার্ফোমেন্সতগী ফেসবুক শীজিন্নরবা মতুংদা ফংবা একাদেমিক পার্ফোমেন্সশিং অদু (BAP) Baseline Academic Performance কী মখাদা লৈবা ফংখি। একাদেমিক পার্ফোমেন্সতা অকায়বা পীবতা নত্তনা খুন্নাইগী ওইবা চৎনবী, লিচৎ-শাজৎ, হৌন-লোনচৎ, ৱাঙাঙ-শাঙাঙনচিংবা চৎনবী কয়াদা অকায়বা পীদুনা অচৌবা শাফু অমা ঙসিগী খুন্নাই অসিদা পীররে হায়বা অসি ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে।

মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদা নত্তনা, নহারোলগী পুন্সি অমসুং কোর্পোরেট সেক্টর নৎত্রগা লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিং থবক শুফম লোইশঙ কয়াশিংদসু অচৌবা শাফু অমা পীরি। নহারোলশিংগী মনুংদা কাঙলুপ মশেল য়ানদবা, কাঙলুপ অমগা কাঙলুপ অমগগী মরক্তা হুন্নদুনা hate speech নৎত্রগা কম্মেন্ট পীনবা অসিনা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা হেন্না ফত্তবা মরী অমা ওইহনবা য়াবগী মচাক অমা ওইরি। লমদম অসিদা থোক্লিবা থৌদোকশিংগী মনুংদসু পনবা য়াবা থৌদোক কয়া অমা থোকখ্রে, শেমজিন শাজিনবা ফোটো, অরানবা কম্মেন্ট নৎত্রগা ভিয়ু সোসিএল মিদিয়াদা য়াওরক্তুনা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা উংখৎনবা, খূৎ থোক্নবা, খুন থাদোক্তুনা লান চেন্নবা (exodus) থোক্তবা নত্তে। থবক শুফম লোইশঙশিংদা ওফিস মতমদা ফেসবুক নৎত্রগা অতৈ সোসিএল নেটৱার্ক সাইটশিংদা এসেস তৌদুনা অরেম্বদা মতম মাঙহনবা থেংনদবা নত্তে। যূম পাল্লবা নুপা নৎত্রগা নুপীশিংগী মরক্তা ফেসবুক্তা নৌনা শকখঙনবা য়াওরক্তুনা ইমুং মনুংগী মরী কায়থরকপা য়াওদবা নত্তে। মতৌ অসুম তৌদুনা সোসিএল মিদিয়ানা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা সমস্যা কয়াগী নৎত্রগা ক্রাইম কয়াগী হৌরকফম মচাক ওইরি।

***খুন্নাই অসিদা হকথেংননা, মীওই কাঙলুপ খায়দনা মীওই অমনা থেংনরিবা ক্রাইমশিং নৎত্রগা সমস্যাশিং ঃ***

**Harassment :** চুমদবা নৎত্রগা শেমজিন শাজিন্নবা পাউ শন্দোক্তুনা **সোসিএল-নেটৱার্ক-সাইট** শীজিন্নরিবা মীওই অমবু শাওহনবা, ধমকা তৌবা, কিহনবা, করি থোক্লক্কনি খঙদবগী পাখৎপা নৎত্রগা অৱাবা পীবা, নাতে চাদবা মীং থোনজিন্দুনা করেম্নবা, নাতে চাদবা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা ইকায়বা পীবা, নাতে চাদবা ফোটো, পোষ্টর নৎত্রগা কার্টুননা মহুৎ শিন্দুনা শিংনবা নৎত্রগা করেম্নবা সমস্যা নৎত্রগা ক্রাইম।

**Defamation :** Defamation নৎত্রগা Harassment হায়বা ৱাহৈ অসি সাইবর ক্রাইমগী ৱাহন্দদি খেন্নবা লৈতে, অদুবু সাইবর ক্রাইমগী থৌওংদদি য়াম্না চাউনা খেন্নবা লৈ। Defamation গী থৌওং খুদিংমক হরাসমেন্ট তৌবনি হায়বা য়াই অদুবু হরাসমেন্ট তৌবগী থৌওং খুদিংমক দিফেমেসননি হায়বা য়াদে।

**Identity theft :** সোসিএল নেটৱার্ক সাইট অমদা একাউন্ট হাংবা মতমদা মীওই অয়াম্বনা মহাক্কী মরুওইবা ইনফোর্মেসনশিং চিংনবা লৈতনা হায়দোকই নৎত্রগা ফোঙদোকই, খুদম ওইনা হায়রবদা, পোকপগী তাং, নুমিৎ নৎত্রগা চহী, পোকফম, মোবাইল নৎত্রগা লেন্দলাইন নম্বর, লৈফম, ঈ-মেল আই দি অসিনচিংবা মরুওইবা ইনফোর্মেসনশিং অসি কনাগুম্বা মীওই অমনা মশা খঙহন্দনা দিফেমেসন, হরাসমেন্ট তৌনবা নৎত্রগা অতোপ্পা ওইজ-ওইথক খরা ফংনবগীদমক শীজিন্নবগী সমস্যা অসিনি।

**Cyber bullying :** Cyber bullying হায়রগা ঐখোয়না ফেসবুক নৎত্রগা অতোপ্পা সোসিএল নেটৱার্ক সাইটকী মতেংনা কনাগুম্বা মীওই অমবু ধমকা তৌদুনা কিহনবা নৎত্রগা মেসেজ থাজিন্দুনা শাওহন্নবা শিনবা অসিবুনি।

**Cyber stalking :** কনাগুম্বা মীওই অমনা কনাগুম্বী অমগা মরী লৈননবা হোৎনবদা মায় পাক্লক্ত্রবা মতম নৎত্রগা মরী লৈনরম্লবা মতুংদা মরী তৎখ্রবা মতমদা কল্লকপগী নৎত্রগা লমন খুম্লিংবগী ৱাখলনা সোসিএল নেটৱার্ক সাইটতা করি তৌগে, কনাগা পুল্লিগে হায়দুনা কোইসেন শেন্নবা কনাগুম্বা অতোপ্পা অমগা মরী লৈনদনবা শিনবা, অতোপ্পা মীওইশিংনা থিনা, ফৎতনা খলহন্নবা হোৎনবা অসিবুনি।

**Blackmailing :** Blackmailing অমসুং Cyber stalking অনীগী মরক্তা ক্রাইম অসি পাঙথোকপগী মরম হায়বদি মোটিভতি য়াম্না মানে অদুবু ব্লেকমেলিংদদি হান্না মরী লৈনরিঙৈ মতমদা লৈহৌবা নাতে চাদবা প্রমান হায়বদি ভিদিল ক্লিপ, ফোটোগ্রাফ নৎত্রগা ওদিও ক্লিপ শীজিন্নদুনা মীওই অমদা সেক্সুএল নৎত্রগা মোনিটরি এদভান্টেজ লৌবা নৎত্রগা মাঙখ্রবা মরী অদুগী নমাদা নমদুনা লুহোংনবা হোৎনবা অসিনি। Blackmailing অমসুং Cyber stalking হায়বা সাইবর ক্রাইম মখল অসিনা সোসিএল নেটৱার্ক সাইটকা মরী লৈননা থোকপা ক্রাইমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না থোকপা ক্রাইম মখলনি।

**Honeypot :** হোনিপোট হায়বা ক্রাইম মখল অসি য়াম্না তোয়না থোক্কনবা অদুগা ইকায়দুনা নৎত্রগা পঙই হায়খিনি কিবনা রিপোর্ট তৌদবা মখলগী ক্রাইমনি। মীওই অমবু নমদুনা নৎত্রগা শুমহৎতুনা থাজহল্লগা পৈশা লৌথোকপগী থৌওং অমনি। শাশিন্নবা নুংশিনবগী মরী থন্নবা মতুংদা লুপা লাক্ষ ৫ গী গিফ্ট থাখিবনি দেলিভরি চার্জ লুপা লিশীং ২০ পীদুনা লৌথোকপীয়ু হায়বগুম্বা, নৎত্রগা ঐ অৱাফমদা তারে পৈশা খরা থাবিরকউ হায়বগুম্বা, নহাক য়ু এস দোল্লর লিশীং ১০০০০ গী লোট্টরি ফাওরে প্রোসেসিং চার্জ পীরগা ক্লেইম তৌবিয়ু হায়দুনা মোইথেম তৌদুনা পৈশা লৌথোকপা অসিগুম্বশিং অসিনি।

**Impersonation :** সাইবর ক্রাইমদা ইম্পর্সোনেসন তৌবা হায়বসিগী পান্দমদি মরু ওইনা লমনশিংবনি। মসিগী থৌওং অসি কনাগুম্বা মীওই অমনা কনাগুম্বা মীওই অমগা মরী থম্নবা হোৎনবদা মায় পাক্ত্রবা মতম, মীয়াম মাঙদা ইকায়বা পীরম্বা মতম, উশিৎতনা থিনা ঙাঙলম্বা, নৎত্রগা ঐ মঙাইরে হায়দুনা শিংনরম্বা মতমদা থোক্লি। নুপা অমনা ফেসবুক্তা য়াওবা নুপীমচা অমগী অশেংবা ফোটো, মোবাইল নম্বর শীজিন্নদুনা অনৌবা ঈ-মেল আই দি শেম্লবা মতুংদা নুপীমচা অদুগী অশোংবা মীংদা ফেক একাউন্ট অমা হাংলগা নাতৈ চাদবা ফোটো শেমদুনা পোষ্ট তৌবা নৎত্রগা শকখঙদবা মীওইশিংদা seducing তৌবা, লোয়না লোয়ননা সেক্সুএল রিলেসনগী দিমান্দ তৌশিন্দুনা লমন শিংবা অসিনি।

**Sexting :** সোসিএল নেটৱার্ক সাইটতা সেক্সুএল রিলেটেদ ফোটো, ভিদিও, ওদিও নৎত্রগা ৱারী পোষ্ট তৌদুনা অঙাং নৎত্রগা sexually fanatic ওইবা মীওইশিংদগী সেক্সুএল এদভান্টেজ লৌনবা হোৎনবা অসিবুনি।

**Social Engineering অমসুং phishing :** হায়বা ক্রাইম মখল অসি মীওই অমনা ভিক্টিম ওইগদৌরিবা মীওই অদুগী বেঙ্ক একাউন্ট, বেঙ্ক বেলেন্স, ক্রেদিট কার্দ নম্বর, এ টি এম কার্দ নম্বর, ইন্সুরেন্স পোলিসি, ওনলাইন পর্চেজনচিংবা ফাইনান্সিএল ট্রান্সেক্সনগা মরী লৈনবা পাসৱার্দ নৎত্রগা পিন নম্বর নৎত্রগা সেক্রেদ কোদ নম্বর বেঙ্ককী মীওই শাদুনা নৎত্রগা এজেন্ট শাশিন্নদুনা লৌথোকখিবা নৎত্রগা লৌনবা হোৎনবা অসিনি।

(মথং-মথং)

# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৮২

ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম

***মণিপুরদা*** থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসি ইন্দিয়া মনুংদদি তোপ তোপ্পা মশক অমনি। চহী খরসিদা থোরক্লিবা থৌদোক-ৱাথোকশিং অঙকপগী মথক্তা অঙকপা কয়ানি। বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক, চরা হেনবনচিংবা মশীং থিঙমদনা লেপ্তুনা চত্থরিবা মণিপুরনি। মরম অদুনা মণিপুরগী মমিং বন্দপুর হায়না থোনরক্লিবসি তশেংনমক ঙক্লিংঙাই লৈতে। হঞ্জিন হঞ্জিন বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক চত্থরবসু ঙসি ফাওবা দিমান্দ অমত্তা মপূং ফানা ফংবা ঙমখিদ্রি। ইচল শর্মিলানা চহী ১৬ লোম চরা হেন্দুনা চত্থরকখিবা খোঙজং মালেমগী পুৱারীদা থাজবা ঙম্বা মীওই লৈরমগনি নীংদে। মসি পূম্নমক মীয়াম্না খঙনরবা ঙাক্তনি।

বন্দ, ব্লোকেদ অমদি জেনরেল ষ্ট্রাইক্না মকোক থোংবা লুচিংবশিং, এম এল এ, মন্ত্রিনচিংবশিংদি মাঙজবা করিসু লৈতে। অদুবু নোংমগী চরা তাঞ্জবা মীচম মীয়ামগী মফমদদি অসুক্কী মতিক অকায়বা পীরি। মীওই খরগী কান্নবা ফংনবগীদমক বন্দ, ব্লোকেদ অমদি জেনরেল ষ্ট্রাইকপু খূৎলাই ওইনা শীজিন্নবসি তোক্লসি। বন্দ, ব্লোকেদ অমদি জেনরেল ষ্ট্রাইক চত্থবশিংগী মথক্তা মীয়াম্না পাড়া তম্বীবা মথৌ তাই।

চহী ১৫ রোম লৈঙাক পায়রক্লিবা কোংগ্রেস লৈঙাক্না চত্থরিবা ইকনমিক ব্লোকেদকী মায়োক্তা করিগুম্বা থবক অমত্তা লৌখৎপা ঙমদনা লাক্লি। ব্লোকেদনা মীয়ামগী পুন্সিদা করিসু কান্নবা পুরকপা ঙমখিদ্রি। বন্দ, ব্লোকেদনা ফুরুপ কয়াগী মরক্তা নুংশিনদনবগী শিংচেপ থাজিনবা ওইনা থোক্লি। ঙসি ফাওবা নাগা, কুকি অমসুং মীতৈ হায়না খাইদাক্লদুনা মায়কৈ খুদিংমক্তা মাঙমিন্নবা নত্তনা করিসু অফবা ফল পুরক্ত্রি। বন্দ, ব্লোকেদকী লুচিংবশিংনা মীয়াম্বু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবদুনা মশা মশাগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরি হায়বসি মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবশিংনা ময়েক শেংনা খঙনরবা ঙাক্তনি। ৱাফম অমনা, মণিপুরবু মখল মখা কয়াগী ঈরাং শাগৎনদুনা মচেৎ মচেৎ থুগায়নবা হোৎনরিবশিং মরু ফংনা মুখৎপা হায়বসি মীচম মীয়ামগী অপাম্বা ওইমিন্নরসি। মসিগী মতাংদা নাগালেন্দদা বেজ তৌবা চীংগী লালহৌলুপ অমগী নুং পানগী খোঙচৎ মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ ৩০ গী মথক্তা হিগাইৱা তৌদুনা মণিপুর মচেৎ মচেৎ থুগাইনবা শিল্লিবসি অনৌবা পাড়া খরা তম্বীবা মথৌ তাই। চীংগী লালহৌলুপ অমগী দিমান্দদা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্না খঙনা খঙনা ময়ায় চাবী ওইদুনা অসুম থম্বসি অফবা খোঙথাং ওইরোই। মমৈথংদা নুংগী অরোনবা ফোঙদোক্নরক্তুনা নাগা, কুকি, মীতৈগী মরক্তা অচৌবা ৱাথোক শোয়দনা ওইরক্কনি। মরম অদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্না হেন্না লুম্না খন্থবা মতম ওইরে। মসিগী মথক্তা চীংগী লালহৌলুপ অমবু নাকোয়ননা মতেং পাঙলিবা মীচম মীয়ামশিংসু ৱাখল তাহনবা মতম ওইরে। নোংমৈগী শক্তিনা মীওইবগী থম্মোয় খুদুম চনবা খক য়ারোই। মসিগী খুদম হায়ববু হন্দক ও ইবোবীনা উখ্রুলদা চৎখিবদা থোকখিবা থৌদোক তরাই তরাইনা খন্দোক্তুনা তুমিন লৈশিল্লিবা মরী লৈনবশিং নোংমদি খঙনরক্কনি, ঙসিমকসু খঙনা খঙনা নমশিন্দুনা থম্বা হায়বসি লৈঙাক মনুংগী ৱাথোক ওইনা খনবদি অরানবা ওইনা থোক্কনি।

মতাংসিদা হেন্না লুম্না পঞ্জনীংলিবদি চীংগী লালহৌলুপশিংগী খুজিল থৌরাংনা ইম্ফাল দিমাপুরদা নোংমগী লেপ্তুনা চত্থরিবা থবক খুদিং মতম মতমগী লৈঙাক্না ময়েক শেংনা খঙনৈ। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা মপূং ওইনা সেনাপতিগী মীয়াম্না লৌরিবা খোঙথাং তুংগী খন্থবনা হেন্না মরু ওইগনি নীংই। মরমদি মমাংথক্তা কারোং ফাওবা রেল লম্বী লাক্লবগী থৌরাং লোইরম্লবনি অদুবু চীংগী লালহৌলুপ অমগী খুজিল থৌরাংনা কারোং ফাওবা লাক্লবা মণিপুর লৈঙাক্না লৌরম্বা খোঙথাং থৈদোক্তুনা ইম্ফাল জিরি লম্বীরোমদা ওন্থোকখিবা হেন্না কুপ্পা নৈনবগী মথৌ তাই। ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী নাক য়েৎতা খুন্দারিবশিংনা দুকান ফমজদুনা পুন্সিগী হিংনবগী মচাক ওইরম্বা, করিগুম্বা মতাং খরদা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা ওৎ নৈরিবশিং নোংমদি লম্বীসিদা গাড়ী অমা ফাওবা চেন্দবগী মওং লাকপা মতমদা চীংগী লালহৌলুপশিংনা করি মতেং পাঙবা ঙমগনি। চীংগী লালহৌলুপশিংগী শরৌ লাংনা মীচম মীয়ামবু কনবীবা ঙমগদ্রা? ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা লাকচগদবা রেল লম্বীবু লাকহন্দবগী থৌদাং কনাগী খুজিল থৌরাংনো হায়বা মীচম মীয়াম্না খন্থবা মথৌ তাই। অপীকপা থম্মোয়, ঐগী হায়বা ৱাখল থাদোক্লগা ঐখোয়গী হায়বা ৱাখল খন্থবীদুনা মীয়ামগী অপূনবগী শক্তি উৎমিন্নরসি। সেনাপতিগী মীচম মীয়াম্না মমাংথক্কী পুৱারী নৈনবগী মথৌ তারক্লি। নাগা কুকি অনীগী ঈরাং কমদৌনা কনাগী খুজিল থৌরাংনা ওইরকখিবনো হায়বা থিগৎপা মথৌ তাই। নাগা কুকিগী মরক্তা কাউঙল্লরোইদবা থৌদোক অদুনা করি কান্নবা পুরকখ্রে। মরাল লৈতবা মীচম কয়াগী পুন্সি মাঙহনখিবনা করি কান্নবা পুরকখ্রবগে? ঙসিদি ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীখক ওইরিঙৈগী মতমদু নত্তে। ইম্ফাল জিরি লম্বী, ইম্ফাল মোরে লম্বী মসিগী মথক্তা ইম্ফাল জিরি লম্বীরোমদা রেল লম্বী লাক্লবা ফাওবা ৱাখল তান্নদবসি অফবা খুদম নত্তে।

ঙসিদগী চহী ১০ গী মতুংদা ওইরক্কদবা ফীভম খন্থবা মথৌ তাই। চীংগী লালহৌলুপশিংগী ওইররোইদবা মঙনা মীয়ামগী পুন্সিবু ৱাহনবদি মখোয়সু মদুগী অৱাবা শোয়দনা ফংগনি। নাগালেন্দদা বেজ তৌবা লালহৌলুপ অমনা অপীকপা ৱাখলনা মীয়াম্বু হোইদুনা পুবা হায়বসি তরাইবা নত্তে। নাগালেন্দ লৈঙাক্না সেনাপতিগী মীয়াম্বু নুংশিবীরমগদ্রা? মতম খরগী মমাঙদা মাওগী মীচম মীয়ামশিং করম্বা মিৎয়েং য়েংলকখিগে হায়বগী খুদম ওইনা কোহিমাদগী মাও ফাওবগী মীচম মীয়াম্না মায়োক্নখিবা শক্তম মীয়াম্না ফোঙনা উনরিবনি। মীচম মীয়াম্বু ৱাহন্দুনা খাবৈ খরা শাবদি অফবা ওইগনি নীংদে। মতম খরগী তুংদা লাক্কদবা সেনাপতি মীয়ামগী অৱাবা কনানা মায়োক্নবীগনি।

হন্দক্কী ইকনমিক ব্লোকেদসিদা থাউ ফংনদবগী অৱাবা মায়োক্নরিবা কয়াসি সেনাপতি মীয়ামদা মায়োক্নদ্রবসু মীচম মীয়াম্না মদুগী অফ-ফত্ত খুদিংমক ময়েক শেংনা উনখ্রে। চীংগী লালহৌলুপ অমনা করবারৱালা খরদা থাউ পীথরগা শান্নরিবা শক্তম মীচম মীয়াম্না নুংঙাইরমগদ্রা? লৈবাক অমা, দিষ্ট্রিক্ট অমা চাওখৎলগা নুংঙাইরে হায়বা য়াগদ্রা? মণিপুর চাওখৎপা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কীনি। ঐখোয় খরখক নুংঙাইরগা নুংঙাই হায়বা য়ারোই। চীং তম অনীমক চাওখৎপা মথৌ তাই। মীয়ামগী পুন্সি হিংনবগী লম্বী ওইরিবা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা মীওই খরনা শেন্দানফম ওন্থোকপনা অফবা পুরকপা য়ারোই। ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী শেন্বীদ্রে হায়দুনা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবিরম্লবদি মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা মীয়াম পূম্নমক্না শৌগৎনরমগনি। লোয়ননা ইম্ফাল জিরি লম্বীসু শেন্বীদে হায়না ব্লোকেদ তৌবা মথৌ তাই। ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী অমদি ইম্ফাল জিরি লম্বী অনী অসি শেম্বগী মহুত্তা ইম্ফাল মোরে লম্বীদা ইম্ফালদগী থৌবাল ফাওবা লম্বী শেমগৎ শাগৎপগুম মরুওইরিবা মীয়ামগী পুন্সি লম্বী ওইরিবা জিরি লম্বী, দিমাপুর লম্বী শেম্বদা হেন্না লুম্না খন্থহন্নীংই। ও ইবোবীগী লৈঙাক্তা ঐগী মীগী হায়বা ৱাখল থাদোকপীরগা ঐখোয়গী হায়বা মিৎয়েংলোমদা হেন্না পূক্নিং চিংশিনহঞ্জনীংই। ইম্ফাল ময়োলদা খরা শেমগৎ শাগৎলগা অফবা লৈঙাক ওইবা য়ারোই। মণিপুর নুংশিবীবা ওইরবদি মপুং ওইবা লম্বী অনীসিদা হেন্না লুম্না খন্থহন্নীংই। ইম্ফাল দিমাপুর অমদি ইম্ফাল জিরি লম্বীদা অমুক্তং খোঙলেংবীদুনা চাংয়েং তৌবীবা মথৌ তাই। ইরুজদনা মায়দা পাউদর থাবগী থবক থাদোকপীয়ু। পূম্নমক পিবা ফম অমত্তা নত্তে। অপূনবগী শক্তম, অপূনবনা জয় ওইমিন্নরসি।